থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# জুদোকা ব্রোজেশ্বরী নীংশিং জুদো চেম্পিয়নশিপ



জুদো (জু + দো = জেন্টল ৱে, অতপ্পা পাম্বে) হায়বা চাইনিজ লোন'না মিংথোনবা, জপান্দগী হৌখিবা, জপানিজশিংগী নাট'কা শাগোন্নবা, থাদোক্লবা য়াদ্রবা মশান্না অসি ঙসিদি ইন্দিয়াদা অনৌবা নত্তরে। ১৯৬৪, টোকিও ওলিম্পিক্স'তগী ইহান হান্না 'ওলিম্পিক-মশান্না' অমা ওইরকখিবা 'জুদো' - ১৯৮৮ 'সিওল ওলিম্পিক্স' ফাওবদি নুপাখক্তবু শান্নবা য়াহল্লম্মী।

১৯৯২, স্পেনগী 'বর্সেলোনা' দা পাঙথোকপা 'ওলিম্পিক গেমস' অদুদগী 'নুপী জুদোকাশিং' বুসু য়াওবা য়াহল্লকখি। নুপা নুপী অনীমক্কী ওইনা ইন্দিয়াগী জুদোকাশিংনা 'ওলিম্পিক গেমস' কীদমক ক্বালিফাই ওইখিবা ইহান হানবনি। নুপা মরি, নুপী অমা ক্বালিফাই ওইখি। 'সঙ্গিতা মেহতা' কৌবী, ১৯৯১ এসিয়ান জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা মঙাশুবা মফম কনখিবী ইন্দিয়ন অসিনা ইন্দিয়াগী অহানবা 'নুপী জুদো ওলিম্পিয়ন' নি। ১৯৯৬ অটলান্তা ওলিম্পিক্সতদি নুপা-নুপী অনীমক কনাসু ক্বালিফাই ওইখিদে। ২০০০ সিদনি ওলিম্পিক্স'তদি মণিপুরগী লৌরেম্বম ব্রোজেশ্বরি মথন্ত'না ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা, ইন্দিয়ন নুপী জুদোকাশিংগী মরক্তা অনীশুবা ওলিম্পিয়ন ওইরকখি। অদুবু, ঙসি ফাওবগী ইন্দিয়ন জুদোগী ওলিম্পিক্সকী পুৱারীদা অহানবা মেচতা ঙমদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখিবা প্লেয়রদি লৌরেম্বম ব্রোজেশ্বরি মথন্তনি।

জুদো'না পুন্সিনি খঞ্জরিবা, শিনফম অসি পাঙনা-পাঙনা পুন্সি পিখম্নখিবা 'লৌরেম্বম ব্রোজেশ্বরি' - ১৯৭৭, ওক্টোবর ২০দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খাগেম্পল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দা, লৌরেম্বম মংলেম অমদি লৌরেম্বম ওংবী তরুনি দেবী অনীগী অহুমশুবা মচা (অহানবা মমোম) ওইনা তাইবঙ ফাওরকখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী নুপামচা অমগী মতৌগুম লাক্না-ফানা, শান্ন-খোৎনা তৌবা পাল্লকপা, মমান্নবী নুপীশিংগা তোৎন-তিন্না তৌরকপগী মহুত্তা, নুপামচাশিংগতা তিন্নরকপদু উবদা অপোকপা-অপোকপী অনীগী পূক্নিং-ৱাখল লাংতক্লবগী মরম ওইরকখি। লাইরীক-লাইশু তম্বদা পূক্নিং চঙলকখিদে, শান্ন-খোৎনবা, লৈকায়গী য়াওশঙ স্পোর্টসনচিংবদা হেন্না থৱায় য়াওরকখি। করম্বা মমা-মপানদি হরাওগনি? ফূ-চৈদুনা ৱারকপা, কিহন-খংহন তৌরুবা, করিমত্তা কান্নখিদে। সজী মচাগী মকোক্তা মচী হৌরকপা, করম্বা মালেমগী শক্তিনা থিংদুনা থম্বা ঙমখ্রবগে? এলাংবম লৈকায় হায় স্কুল'দা ক্লাস আইট তম্লিঙৈদা মহাক কবাদ্দি প্লেয়র ওইরকখি। বোম্বেদা চত্তুনা শান্নরুই।

ক্লাস নাইন তম্লকপদগীদি মহাক্কী ইন্টরেষ্ট, কবাদ্দিদগী জুদোরোমদা ওনশিল্লকখি। ৱারেপ অসি লৌবদা ওজা অমুসনা, স্কুলগী ফিজিকেল এদ্যুকেসন টিচর অমদি লৈকায়গী ক্লবকী থৌপুবা, মথক থোংবা মবুংশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈখি। মশানা পামজনা 'জুদো মশান্ন' দা চঙলকখ্রবা মতুংদদি মরৈকায়দুমক্তদগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবী 'সাবিত্রি চনু' অমদি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা কোচ ওইনা থবক তৌরিবা থৌনাওজম বিশ্বজিৎ অনীগী মনাক নক্লা ত্রেনিং তৌজবগী খুদোংচাবদুসু ফংলে। শান্নরোয় অমা ওইবগী শেৎফম থোকপা ফিজোল শেৎলিবদুগী মথক্তা, মপাগী মীচৈ তাদনবা ফনেক শেৎলগা চৎলম্বগী ৱাথোক, মবুং অহলনা মনমগন্দা লীচৈনা শাম্বা পুম্নমক্তুনা শনজীংগুম লেপখ্রবা ব্রোজেশ্বরিগী থম্মোয় হোংহনবা ঙমখিদে। ১৯৯৬তদি সাই সেন্টরগী স্পেসল এরিয়া গেমস সেন্টরদা ত্রেনী ওইনা চঙলে। মতমদুদদি খঙলে মহাকপু কনানসু থিংবা ঙল্লরোই। মফমদুদা দেবেন মোইরাংথেম, জুদো কোচ থেংনরে। মপা ইবুংঙোগা ওজাশিংগী মমাঙদা ৱাশক্নরে... 'ফরে, চহী অমগী মনুংদা মায় পাকপা জুদো প্লেয়র ওইবা ঙমদ্রগদি, অমুক হন্না শান্নবুংদা মায় ওল্লোই, লাইরিক্তা পূক্নিং চঙগনি'...।

শীংনবা অমগা লোয়ননা হোৎনরকখিবদুগী মহয়নি- নেসনল লেবেল জুদো চেম্পিয়নশিপ কয়াদা ফংলকখিবা মেদলশিং, নেসনল জুদো কোচিং কেম্পশিংদা য়াওখিবা, ফিলিপিন্সতা পাঙথোকখিবা এসিয়ন জুদো চেম্পিয়নশিপকীদমক ইন্দিয়ন কন্টিনজেন্ট'তা য়াওননবা খল্লকখিবা। জপানগী ওসাকাদা পাঙথোকপা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অমদি ভিয়েটনাম ইন্টরনেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপনচিংবদা মায় পাক্না শরুক য়ারুরবা তুংদনি সিদনি ওলিম্পিক্স, ২০০০দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মাপনশুবা মফম কনখিবা।

শান্নবগী তাইবঙদা অরঙবা থৱান্মীচাক অমা ওইনা ওইনা, অহল লমনশিংনা হায়ন-শিংনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট তাউবুংখোক'তগী থোঙাম রোজেন সিংহগা পুন্সি লৈপুন শেমদুনা ২০১১, এপ্রিল ৬তা লুহোংখি। চহী তরানিথোই চুপ্পা সী আর পি এফ'তা ইন্সপেক্টর ওইনা থবক তৌরম্লবা মতুং, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্টকী থাক্তা ফম কানবগী অকনবা ত্রেনিং চথুরিঙৈ, কোইম্বটোর'দা জুলাই ২১, ২০১৩দা মশাগী চহী ৩২খক্তা ঙাইরিঙৈ তাইবঙ মপুনা অমুক হন্না লৌশিনখি।

মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি মণিপুর জুদো এসোসিএসন'না মাগী নীংশিং শক্তমদা উৎপা ইকায়খুম্নবনি - মে ৩০, ৩১দা পাঙথোক্লিবা 'ব্রোজেশ্বরি মেমোরিঅল কেশ প্রাইজ জুদো চেম্পিয়নশিপ, ২০১৯'।

লৌশিং পুক্কে

# কোক নাকল নাম্মখক্তা চিকপা লায়না, মাইগ্রেন



মাইগ্রেন হায়বসি মতম শাংনা লোয়নদুনা লাক্লবা ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর অমনি। অনাবা অসিনা মরম ওইরদুনা কনাগুম্বা অমবু য়াম্না তোয়না কোক চিকহনবগা লোয়ননা ওটোনোমিক নর্ভস সিম্পটম কয়ামরুম মায়োক্লহল্লি। গ্রীক ৱাহৈ "হেমিক্রেনিয়া" দগী শেমদোক শাদোক্তুনা মমিং থোনখিবা মাইগ্রেনগী ৱাহম্বোক্তি কোক্কী নাকল নাম্মখক্তদা চৈনাখোল ফাওবা হায়বনি।

লায়না অসি লৈরবা মীওইশিং কোক নাকল নাম্মখক্তা চীক্কনি অমসুং পুং ২ দগীনা পুং ৭২ ফাওবগী মনুংদা তপ্না তপ্না অমুক ফখিনি। মসিগা লোয়ননা ওনিংবা, ওবা, মঙাল উবা য়াদবা, অহৌবা মখোল তানিংদবা অমসুং মখল অমত্তগী মনম নম্বা য়াদবা থেংনগনি।

লায়না অসি ঈশিং নুংশিৎনচিংবা অকোয়বগী ফিভম অমদি ঈ মরীগী ওইবা মরম্না ওইহল্লকপনি হায়না থাজনরি। শরুক অহুম থোকপগী অনীদি ইমুং মনুংগী ওইবা ঈ মরীদগী ওইহল্লকপনি। হকচাংদা য়াওবা হোর্মোনগী খল হোংলকপনসু মাইগ্রেন ওইহল্লকপদা চাউনা মতেং পাংই।

নহা ওইরিঙৈদদি লায়না অসিনা নুপীমচাশিংদগী নুপামচাশিংদনা হেন্না শোকহল্লি অমসুং অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদনা নুপাদগী নুপীনা হেল্লি। মীরোল্লিঙৈ মনুংদদি মাইগ্রেনগী রিস্ক হন্থরকই। হৌজিক ফাওবা লায়না অসিগী চপ চাবা মেকানিজম খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক ন্যুরোভাস্কুলর দিসওর্দর অমনি হায়না থাজনরি। মালেমগী ওইনা অপুনবা মীশিংগী চাদা ১৫ রোম পুন্সিগী মতাং অমা নৎত্রগা অমদা মাইগ্রেনগী চৈথেং ফংলি।

মাইগ্রেন নারবা মীওই চাদা ৩০ রোমদা কোক চীকপা হৌরক্কদৌরে হায়বা মাঙজৌননা ইঙ্গিৎ পীরকপগা লোয়ননা ওনিংবা ফাওরকই। কোক চিকপগী চাং, মতম অমসুং কয়াম তোয়না হৌরকপগে হায়বগী মতাংদদি মী অমগা অতোপ্পা অমগা মান্নদে। পুং ৭২ দগী হেন্না শাংনা কোক চীক্লবদি মদুবু ষ্টেটস মাইগ্রেনোসস কৌই।

মাইগ্রেনগী তাঙ্কক মরি থোক্না খায়দোকই। কোক চীকপা হৌরক্কদবা পুং নত্রগা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ওইবা ফিভম অদুবু প্রোদ্রোম কৌই। হৌরমদাই ঙাইহাক্কী মমাঙদা ওইবা ফিভম্মুনা ওরা; কোক চীক্লিঙৈ মনুংবুনা পেন ফেজ নৎত্রগা হেদেক ফেজ অমসুং লোইখ্রবা মতুংবুনা পোষ্টদ্রোম কৌই।

লায়না অসি ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রিবা তারবসু অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ অমদি হকচাংগী জিনদা অশোয়বা লৈবদগী ওইহল্লকপনি হায়না থাজনরি। ৱাখল ৱাবা, কা হেন্না চাক লাম্বা অমসুং চোকথবনা কোক চীকপা হৌহল্লকপা য়াওই। কনাগুম্বা খরদি অকক্লবা চীঞ্জাক মখল খরা চারুবদগী কোক চিকপা হৌরকই। অদুবু চীঞ্জাক্তা মাইগ্রেন এটেক্তা মরী লৈনবগী চপ চাবা খুদম হৌজিকমক্কী ওইনদি ফংবা ঙমদ্রি।



সাইন অমদি সিম্পটমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা লায়না অসিগী চপ চাবা লায়ওং খঙদোক্লবা হোৎনৈ। মাইগ্রেননি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদবা মতমদদি ন্যুরোইমেজিং টেষ্ট কয়া তৌদুনা কোক চীকপগী অতৈ অতোপ্পা মরমশিং খঙদোক্লা হোৎনবা মথৌ তাই। ইন্টরনেশনেল হেদেক সোসাইটিগী মতুং ইন্না "৫, ৪, ৩, ২, ১ ক্রাইটরিয়া" মখাদা মাইগ্রেন দাইগনোস তৌই। কনাগুম্বা মীওই অমা মঙারক্তগী তাদনা কোক চীক্লবা; পুং ৪ দগীনা নুমিৎ হুমনি ফাওবা ফৎত্রবা; কোক তঙ্খায় অমত্তং চীকপা, ওনিংবা, ওবা, মঙাল উবা য়াদবা অমসুং মখোল অমত্তা তানিংদবা থোক্লবদি মীওই অদু মাইগ্রেন নারে হায়বা খঙবা ঙম্মী।

মাইগ্রেনগা লাইওং মান্নবা মওংদা কোক চিক্লকপা অতৈ অতোপ্পা লায়নাশিংদি টেম্পোরেল অর্টরাইটিস, ক্লষ্টর হেদেক, একুট গ্লোকোমা, মেনিঞ্জাইটিস, টেন্সন হেদেক অমসুং সবরাকনোইদ হিমোরেজনচিংবনি।

লায়না অসি লায়েংনবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি হীদাক লাংথক চাবা, ন্যুত্রিশনেল সপ্লিমেন্ট শিজিন্নবা, পুন্সি মহিং শেমদোকপা অমসুং ওপরেশন তৌবনি। করিগুম্বদা চয়োল অমগী মনুংদা নুমিৎ নিনিদগী হেন্না কোক চিক্লবা অমসুং হিদাক লাংথক চারবসু কোক চিকপা ফৎতবা তারবদি মথক্তা পল্লিবা থৌরাংশিং অসি লৌখৎপা য়ারে। খুদোংচাদবা অসিদগী মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি পুন্সি মহিং শেমদোকপনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বা মীওই খরা কোফি কা হেন্না থক্লুবা নত্রগা মৈখু শিজিন্নবা, নৎত্রগনা য়ু থক্লুবদগী মাইগ্রেন এটেক হৌরকপা য়াওই। মরম অদুনা হায়রিবা হৈনবীশিং অসি থাদোক্কদবনি। কনাগুম্বা নুপী খরদি থাগী খোঙকাপ লাক্লমদাই নৎত্রগনা লাক্লিঙৈ মনুংদা মাইগ্রেন হেদেক মায়োক্লবা য়াওই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ হেঞ্জিন্না ৱাখল খন্দনবা হোৎনগদবনি। খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি যোগা, মেদিটেশন অমসুং নিংশা শ্বর শাংনা হোন্দুনা শান্নবনি।

# অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎকী লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবগী ময়েক ইবা ১২ খল্লে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস): ইরৈবাক্কী নীংতম্বা কন্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা লৈবাক নিংবদা য়ুম্ফম ওইবা ঈশৈ চাংদম্নবগীদমক ঈশৈ ময়েক ইবা ১২ খল্লে হায়না আর্টিষ্ট ট্রেনিং কম এদ্যুকেসনল রিছার্স সেন্টর, এটরেক ৱাংখৈ অয়াংপল্লি রোদকী সেক্রেটরি ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেন্টর অসিনা শিনবা মঙারকশুবা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা লৈবাক নিংবা ঈশৈ চাংদম্নবা ২০১৯ গী খল্লবা ময়েক ইবশিং অদুদি চনথোই সলাম, কাংঙবম ওকেন্দ্রো মঙাং, হোমেন্দ্রো ইরেংবম, সুবোলকুমার মোইরাংথেম, নোংথোম্বম চন্দ্রমালা লৈমা, ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনী, লোংজম তোম্বী, বিজয় নোংথোম্বম, ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম, ৱাংখৈরাকপম বীরেন্দ্রজিৎ, খুরাইজম সুবোল মৈতৈ অমদি পি কে লাইতোঞ্জমনি।

শিংজৈম চীংঙামখাদা লৈবা লৈমায়োল আর্টস সেন্টরদা পাঙথোক্কদবা ঈশৈ চাংদম্নবা অসিগী মকোক মথং তারবশিংদা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবদা লুপা ১০,০০০, লুপা ৭,০০০ অমসুং লুপা ৫,০০০ গা লোয়ননা শকখঙচে পীগনি। মরিদগী তরেৎশুবা ফাওবদা লুপা লিশিং অমমম পীগনি। থা অসিগী ৩০ দগী চাংদম্নবা অসিগী ফোর্ম গভর্ণর রোদতা লৈবা রোয়েল বুক হাউস অমদি ৱাংখৈ অয়াংপল্লি লৈমা কৈথেলদা লৈবা কংলৈ কম্প্যুটরদগী লৌবা য়াগনি। চহী অসিগী জুলাই ২০ ফাওবদা ইশা-ইশাগী ফোর্মশিং থাজিনবীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

# ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা পান্দমদা চথুরকপা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২২ দা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী চম্পানগরদা কাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং য়াওল ক্লব চম্পানগরনা শীন্দুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা থৌরমগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা আর কে নোবিনসনা, প্রধান, দিবোং গ্রাম পঞ্চায়ট, হিজম প্রিয়োকুমার, প্রসিদেন্ট, কাদা অমসুং নেংথোম্বম মনিকান্তা, প্রসিদেন্ট, মৈরা ক্লব, চম্পানগরনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা নিংথৌজম দোরেন, ভাইস প্রসিদেন্ট, কাদা অমসুং গীতচন্দ্র মঙাঙ, সেক্রেটরি জেনরেল কাদানা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা গীতচন্দ্র মঙাঙনা ফোঙদোকখিবদা, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসি মণিপুরগী বোর্দর দিষ্ট্রিক্ট ওইবা মরম্না মফম অসিদা ইলিগেল মাইগ্রেন্ট ময়াম অমা চঙলকপগী মথক্তা দ্রগ লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওইশিংনা য়াম্না লায়না মফম অসিগী তোঙান তোঙানবা অরোনবা লম্বীশিংদগী লোন্না চঙলক্তুনা দ্রগ লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওইশিংগী য়াম্না খুদোংচাবা মফম অমা ওইবনা ঐখোয়না মতম খুদিংমক্তা চেকশিন্না লৈবগা লোয়ননা ক্লবশিং অমদি মৈরা পায়বীগী ঈহৌ শাগৎতুনা মাইনোরিটি তারক্লবা ঐখোয়গী য়েলহৌ ফুরুপশিং কন্নবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ চঙশিনবা মথৌ তারক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ফিল্ম ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):মণিপুরী খোরিরোলগী লেপ্তুনা মাঙদা চঙশিল্লিবা খোঙচৎকী খোঙথাং অমা ওইনা চহী অসিগী জুন ১ গী নুংথিল পুং ৪ তাবদা সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লি অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী, মণিপুর অনীনা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা সাহিত্য একাদেমীগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না একাদেমী অসিগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপদা মণিপুরগী মমিং লৈরবা অইবা এলাংবম সোনামনিগী পুন্সিদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমসু রিলিজ তৌগনি। মণিপুরগী মমিং লৈরবী অইবী মহারাজকুমারী বিনোদিনিগী পুন্সিদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমসুং অতোপ্পা ফিল্ম অনী পোইট্রি ওফ নোর্থ ইষ্ট অমসুং সাহিত্য একাদেমী উৎকনি হায়নসু মখা তারি।

# কলা সঙ্গম ম্যুজিক ইনষ্টিট্যুট হাংদোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচ এন এস):

ললিত কলা সঙ্গম ম্যুজিক ইনষ্টিট্যুট, হৈঙাং সেন্টর হাংদোকপগী থৌরম চহী অসিগী জুন ২ দা ইবুধৌ মার্জিং লাইবুং হৈঙাং ময়াই লৈকায়দা পাঙথোক্লগনি হায়না কলা সঙ্গমগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ললিত কলা সঙ্গম ম্যুজিক ইনষ্টিট্যুট, হৈঙাং সেন্টর অসি য়ুনিক মোদেল একাদেমী, হৈঙাংদা হাংগনি। ম্যুজিক্কী তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিং মহৈরোয়শিংদা ট্রেনিং পীনবা হাংদোক্লিবনি। লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা ম্যুজিক্কী সবজেক্ট-শিং তম্বদা খুদোংচারগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

Pinewood View School
SANGAIPROU, OPPOSITE ISKCON TEMPLE, IMPHAL
A Co-educational Higher Secondary School
Affiliated to Council of Higher Secondary Education Manipur
ADMISSION OPENS
FOR CLASS XI (Sc.) 2019 - 2020 Session
PRINCIPAL
L. Somarjit Singh
Retd. Associate Prof. Imphal College, Imphal
GUEST LECTURERS
Kh. Dinokumari Devi — Retd. Senior Lect. English
L. Ramananda Singh — Retd. Associate Prof. Chemistry
C. Ibotombi Singh — Retd. H.O.D. Mathematics D.M. College
Ch. Rajendro Singh — Retd. Associate Prof. Imphal College
ADVISORS
A. Puru Singh (Chemistry)
N. Singhajit Singh (Physics)
FOUNDERS
L. Kumarjit Singh (Biology) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
S. Nikunja Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
FACULTIES
Kh. Anjila (English) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Meouni Laishram (Biology) — M. Sc. Biology, NET (JRF)
A.Sangita Chanu (Chemistry) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
Jeetchand Sanabam (Physics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
N. Rojesh Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
I. Sures Singh (Mathematics) — FORMER LECTURER XTRA EDGE SCHOOL
FACILITIES

| | |
|---|---|
| For Rankers : | Freeship + Scholarship |
| 85% & Above But Below Rankers: | Freeship + Scholarship of ₹ 3000/- per month for 2 years. (Limited Seat) |
| 80% & Above But Below 85% : | Freeship (Limited Seat) |
| 70% & Above But Below 80% : | Admission Fee free (Limited Seat) |
| 65% & Above : | Direct Admission (Limited Seat) |

pinewoodviewschool@gmail.com Learn, Excel and Serve
HL-P/5371/22/5-12/6


RaDiant e-ride
A Unit of RaDiant Group
AUTHORISED DISTRIBUTORSHIP OF E-VEHICLE
WHY US?
ALL GENUINE PRODUCTS AND SPARE PARTS
COMPANY TRAINED STAFF
DIRECT COMPANY SUPPORT
WELL-EQUIPPED SERVICE CENTRE
COMPANY WARRANTY
FREE SERVICING CARD

*RADIANT E-RIDE RECENTLY SIGNED MOU WITH YADEA- ONE OF THE WORLD LARGEST ELECTRIC VEHICLE MANUFACTURER IN THE WORLD TO SET-UP AN ASSEMBLING FACTORY FOR RADAINT E-RIDE SOON FOR THE ENTIRE NORTH-EAST INDIA.*
HL-B/5373/5/5-3/6

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।০৫।২০১৯ ইং,শগোলশেল, নুংথিল পুং ৪.৩৮ ফাওবা কালেনগী ২৬ নি পাল্লি, মতুং ২৭ পানগনি।

**মেষ :** হকচাং নুংঙাইবা, অকিবা কোকচবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা অফবা মফম কঞ্জবা ঙম্বা লৈগনি। অরিবা শেল অমদি থবক পনবদি লৈ-থিজিনবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী : লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ :** হান্নদগী পন্দুনা লৈবা থবক্তা খূৎ থাগনু। অনৌবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা অনৌবা থবক পাংবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি। হুরানবনা নরলদা মীতাবদি লৈ-লায়থোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী : অথেংবদা নুংঙাইবা পাউ তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন :** নক্লবনা মাঙহনবা অমদি নাপলনা কায়নবা পীবা লৈগনি। অদুবু লাইবক ফবনা শেন্দোং ফংবা অমদি মীয়াম্না পাম্বা থবক পাংবদা নুংঙাইবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কর্কট :** লেংদবা লন চাওখৎপা য়াবা অমদি ইচং থৌবনা মীকোক শোয়দনা থোংবা লৈগনি। ননাই কাইনৈ, পাংগদ্রা খনবা থবক কায়বা য়াবদি লৈ। ইকায় খুম্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা মপা চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ :** মীংচৎ ফংবা, লন-থুম ফংবৈ নুংঙাইবা, অরং-অরাক লৌশিনবা অমদি তুংগী পোরম য়াৎপা য়াবা লৈ। অমরোমদা লৈজবনা কোন্নদবা, য়েৎনবনা মাঙবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী : খাঙবদা কল্লু কান্নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

**কন্যা :** নীংবা থুংগনি, শেল ফংবা য়াবা লৈরে অমদি নথক থোংবনা চানগনি। থবক মফমদা মহূ চাওবনা য়েংথী-চেকশিল্লু। ৱানোম-থৌনোমদি য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা

**তুলা :** থবক পাংগনি, ৱাখলগী মতীক-ময়াই কনবনা ইবা ঙাঙবদা মায় পাক্কনি অমদি পাঙ্গল ফুদোকপা থবক্তসু কান্নবা ফংগনি। ফংবা য়াবা অরিবা শেলদি ফংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা শোয়দনা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক :** অরুবা থবক্তি কায়গদবৈ শরুক পাংদবনা হেন্না ফবা নুমীৎনি। অঙম্বনা মতম মাঙহনবা অমদি অশাওবনা য়েক্লবা হেনগৎহনবা লৈগনি। ৱা ঙাঙদবনা য়াইফরে।
লৈশা পাখংশিংগী : মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ

**ধনু :** অফা-অপুন্নবা, কায়নবা, লাংতক্লবা, পাউ নুংঙাইতবা তাবা অমদি নচাক নরলগী পেন্দবা লৈগনি। অথেংবদা নুংঙাইবা খরদি ফংগনি, শেলসু ফংবা য়ানা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী : মপাউদি তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর :** ইমুং-মনুং নুংশিননা পায়বা থবকশিং মায় পাক্কনি, অনীংবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাবা লৈগনি। নোল্লুক্লা চৎত্রদি খৎনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্বা :** শাওনবা-খৎনবা অমদি অচানবা কায়নবগী নুংঙাইতবা লৈগনি। হোয়া ফবসু মাঙবতা থনগনি। তপথৌ থবক খূদিং লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাদনা পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নাপল তৌরদি কায়নগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা

**মিন :** লাইবক ফবা, মীচং হেনগৎপা অমদি মীংচৎ ফংবা লৈগনি। পন্দুনা লৈরুবা থবক নত্রগা শেল ফংবা নুমীৎনি। অদুবু য়েক্লবনা ওৎলকপা য়াবা লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।